## ভিজা ঙাইরিঙৈদা পোৎক্ত্রিবা অঙাং শিরে

সন্টিয়াগো, জুলাই ১৪(এজেন্সি): পেরুদগী বোর্দর লাল্লগা চিলিদা চঙন্নবগী ভিজা ঙাইরিবা ভেনিজুএলাগী মাইগ্রেন্ট নুপী অমগী পোৎক্ত্রিবা অঙাং শিরে হায়না চিলিগী ওফিসলশিংনা থাংজ নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

পেরুনা হৌখিবা থাদা ইন্মিগ্রেসন লাকশিন্নবা খোঙথাংশিং লৌখৎপা হৌখিবগা লোয়ননা মাইগ্রেন্টশিংনা লৈবাক অসিদা পনবা মতমদা তঙাইফদনা পাসপোর্টশিং নৎত্রগা ভিজাশিং য়াওদবা য়াদবগী ফিভম অমা লাকহনখিবনি।

## ওর্বিটতা থমখ্রে

মোস্কো, জুলাই ১৪(এজেন্সি): রসিয়ন প্রোটোন-এম করিয়র রোকেটনা পুবা স্পেক্টর - আর জি স্পেস ওবজার্ভেটরি ওর্বিটতা মায় পাক্লা থন্বা ঙম্লে হায়না রসিয়াগী ষ্টেট স্পেস কোওর্পোরেসন রোসকোস্মোসকী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে। স্পেসক্রাফট অদু থাংজ নুমিত্তা কাঝাখষ্টানগী বাইকোনুর কোস্মোদ্রোমদগী থাগৎখিবনি হায়না সীনহুৰা ন্যুজ এজেন্সিগী পাউনা হায়রি।

# টাইৱান্না খুৎলায় লৈখিবা মতুংদা চাইনানা সাউথ ইষ্ট কোষ্টতা মিলিটরি দ্রিলস পাঙথোকখ্রে



বৈজিং, জুলাই ১৪ (এজেন্সি): চাইনানা লৈবাক অসিগী লমহেনবা প্রোভিন্স অমনি হায়রিবা মশানা লৈঙাকচবা টাইৱান্না ইনৌনৌনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতগী মরু ওইবা খুৎলায় কয়া লৈবগী ৱাফম য়ানখ্রবা মতুং হন্দক্তা চাইনিজ মিলিটরিনা সাউথ ইষ্ট কোষ্ট পরিংদা এয়র অমসুং নেভিগী দ্রিলশিং পাঙথোকখ্রে হায়না দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

চপ চাবা মফম অমা পন্দনা মিনিষ্ট্রি অসিনা থোকখিবা অতেনবা ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখিবদা, পিপলস লিবরেসন আর্মিনা হন্দক্তা মিলিটরি এক্সসাইজশিং পাঙথোকখ্রে। দ্রিলশিং অসি চাইনিজ মিলিটরিগী চহীগী ওইবা থৌরাংশিংদা য়ুম্ফম ওইবা রুটিন এরেঞ্জমেন্টশিংনি। অখুবা টাইৱান ষ্ট্রেটকী ৱাংমদা টাইৱানগা মায়োক্লনা লৈবা মরম্না চাইনাগী সাউথ ইষ্ট কোষ্ট অসি লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী অরুবা মফমশিংগী মনুংদা অমনি। চাইনানা দেমোক্রেটিক টাইৱানবু তঙাইফদ্রবদি ফোর্স শীজিন্নদুনা লৌশিনগদবা লৈবাক অসিগী প্রোভিন্স অমনি হায়না লৌরিবনি।

টাইৱান্দা খুৎশু-খুৎলায় কয়া য়োনশিনবনা চাইনাগী সোভরেন্টি অমসুং নেসনল সিক্যুরিটিদা অকায়বা পী হায়রদুনা টাইৱান্দা দোলর বিলিয়ন ২.২ গী ওইগদবা টেঙ্কশিং, মিসাইলশিং অমসুং মরী লৈনবা ইক্বিটমেন্ট য়োনবগী দিল অমদা চেন্নরিবা য়ু এসকী ফার্মশিংদা অথিংবা কয়া থল্লগনি হায়না চাইনানা ইরাই নুমিত্তা লাউথোকখ্রবনি।

করিবিনদা লৈরিবা দিপ্লোমেটিক্কী মরী থম্নবা লৈবাকশিংদা চৎপা খোঙচৎ অমদা টাইৱানগী প্রসিদেন্ট সাই ইং-ৱেন্না ন্যু য়োর্ক পল্লিঙৈদা বৈজিংনা টাইৱান্দা খুৎলায় য়োল্লিবা ফার্মশিংদা অথিংবা থন্বগী ৱাফম অসি লাউথোকখিবনি। খোঙচৎ অদুনা বৈজিংবু শাওহনখিবগা লোয়ননা হান্নদগী লল্লোই-ইতিক্কী অকনবা লান অমনা শোকহল্লবা সাইনো-য়ু এস মরীগী ফিভম হেন্না লুশিনহল্লে হায়রি।

নোংমাইজিং নুমিত্তা টাইৱানগী প্রসিদেন্সিএল ওফিসনা নেসনল সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী দেপ্যুটি সেক্রেটরি-জেনরেল সাই মিং-য়েনগী ৱারোল পল্লদুনা থাদোরকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমনা প্রসিদেন্ট সাইনা য়ু এসতা লৈরিঙৈদা য়ু এস হাউস স্পীকর নেন্সি পেলোসিগা টেলিফোন্দা ৱারী শান্নখ্রে হায়না ফোঙদোকখি।

# চাইনিজ লল্লোনবশিংদা টার্গেট তৌখিবা হোং কোংগী প্রোটেষ্টরশিংগা পুলিসকা খুৎ থোক্নখ্রে



হোং কোং, জুলাই ১৪ (এজেন্সি): হোং কোংগী প্রোটেষ্টরশিংনা থাংজ নুমিত্তা মেনলেন্দ চাইনাগী বাওন্দরিগা নক্কনা লৈবা টাউন অমদা পুলিসকা খুৎ থোক্নখ্রে। এক্সট্রাদিসন বিল অমগী মতাংদা ইরাং হৌখিবা মতুংদা অতোপ্পা পেন্দবগী খোল্লাও অমা পুরদুনা মীওই লিশিং কয়ানা টাউন অদুদা চাইনিজ লল্লোনবশিং লৈশিনবগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌখিবনি।

চাইনিজ সিটি সেঞ্জেংদগী পংথাপ থাপ্তুনা লৈবা শিং সুই টাউন্দা প্রোটেষ্টরশিংনা পুলিসতা মখোয়না পায়রক্লিবা ছাটিন অমদি অকনবা তুপিশিং লংশিনখি। অমরোমদা, পুলিসনা মদুগী খুৎ হল্লদুনা প্রোটেষ্টরশিংদা বেটন শীজিন্নদুনা অমদি পেপ্পর ইসপ্রে কাপশিন্দুনা মখোয়বু তানখায়নবা হোৎনখি।

মুক্নবা লোইরবা মতুংদা পুলিসনা প্রোটেষ্টরশিংদা দেমোনষ্ট্রেসন্দা ভাইওলেন্স য়াওহন্দনবা চেকশিনৱা খঙহনবগা লোয়ননা মফম অদু থাদোক্নবা হায়খি। এক্সট্রাদিসন বিলনা ঐখোয়বু হৌজিক মফম অসিদা লাকহল্লিবনি। ঐখোয়না সিয়ুং সুই টাউন চাইনিজ লল্লোনবশিংগী মখুত্তগী লৌশিনবা পাম্মী হায়না প্রোটেষ্টর কয়ানা ফোঙদোকখি।

# সুদান্দা মীওই লিশিং কয়ানা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা প্রোটেষ্টরশিং হাৎখিবা নীশিংদুনা দেমোনষ্ট্রেসন পাঙথোকখ্রে



খার্তুম, জুলাই ১৪ (এজেন্সি): সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা কেপিটেল খার্তুমদা লৈবা প্রোটেষ্ট কেম্প অমদা থোমজিন্দুনা প্রোটেষ্টর কয়া হাৎখিবা নুমিৎ ৪০ নি শুরকপগা মরী লৈননা মীওই লিশিং কয়ানা থাংজ নুমিত্তা সুদানগী সিটিশিংদা দেমোনষ্ট্রেসন পাঙথোকখ্রে হায়না উহৌবশিংনা ফোঙদোক্লখ্রে।

দেমোনষ্ট্রেসনশিং অদু সুদান্দা দেমোক্রেটিক মীখল পাঙথোক্ত্রিঙৈগী মাঙওইননা রুলিং মিলিটরি কাউন্সিল অমসুং সিভিলিয়ন ওপোজিসন্না পৱার পায়মিন্নবগী এরেঞ্জমেন্ট অমা থন্বগী ৱাফম য়ানখিবা মতুংদা পাঙথোকপা অহানবনি। নাকল অনীনা থাংজ নুমিত্তা পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরম্বা মীফম অমা নোংমাইজিং নুমিত্তা য়ৈথোকখ্রে হায়না ফোসের্স ফোর ফ্রীদম এন্দ চেঞ্জ (এফ এফ সী) কোলিসনগী লুচিংবা অমনা রোইটর্সতা ফোঙদোকখি। তৌইগুন্নবসুং মিলিটরি কাউন্সিন্নদি মীফম য়ৈথোক্লগনি হায়বা ৱাফম অসিবু য়াখিদে।

থাংজ নুমিৎকী সেসন অদুনা ৱাতেন্বা কাঙবুগা লেপ্নখিবগী মতুং ইন্না কন্সটিট্যুস্নেল দোক্যুমেন্টকী মতাংদা খন্ন-নৈনগনি হায়না মিলিটরি কাউন্সিলগী ৱারোল পল্লদুনা ষ্টেট ন্যুজ এজেন্সি সুনানা ফোঙদোকখি।

অফ্রিকান য়ুনিয়নগী মিদিয়েটর মোহমদ হসন লেবাটনা শগোলশেল নুমিত্তা ফোঙদোকখিবদা কাউন্সিল অমসুং এফ এফ সীনা থাংজ নুমিত্তা মীফম পাঙথোক্তুনা কন্সটিট্যুস্নেল দিক্লারেসন অমা খন্নবগা লোয়ননা রেটিফাই তৌগনি। নাকল অনীনা ট্রাঞ্জিসনগী তোঙান তোঙানবা ইন্সটিট্যুটশিং লেপকন্দবা পোলিটিকেল দিক্লারেসন অমদা য়ানবা পুরকখ্রবনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি। তৌইগুন্নবসুং মীফম অদু লোইরবা মতুংদা এফ এফ সীবু লুচিংলিবা সুদানিজ প্রোফেস্নেলস এসোসিএসন্না দ্রাফট কন্সটিট্যুস্নেল দিক্লরেসন অদু ফাইনেল ওইদ্রি হায়খি।

# এয়র ষ্ট্রাইক্না অমাঙ-অতা থোকহনখ্রবা লিবিয়াগী দিটেন্সন সেন্টরদা অনৌবা মাইগ্রেন্টশিং চঙশিনখ্রে



কাইরো, জুলাই ১৪ (এজেন্সি): হৌখিবা চয়োলদা শাথিরবা এয়র ষ্ট্রাইক অমা চথদুনা মীওই ৫০ হেনবগী পুন্সি লোমখ্রবা লিবিয়াগী কেপিটেল ট্রিপোলিদা লৈবা দিটেন্সন সেন্টর অমদা অনৌবা মাইগ্রেন্ট কয়া চঙশিনখ্রে হায়রি।

মমাংগী রেইদ অদুদা হিংহৌবা মীওইশিং শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোকহনখিবগী থৌদোক লৈখ্রবা দিটেন্সন সেন্টর অদুদা অমুক হন্না এয়র রেইদ চথরকপা য়াবগী অকিবা লৈন-লৈনা অহেনবা মাইগ্রেন্টশিং মফম অদুদা চঙশিল্লকখিবনি হায়না মেদিসিন সান্স ফ্রান্টিয়রস (এম এস এফ)না ইরাই নুমিত্তা ফোঙদোকখি।

মাইগ্রেন্ট ৯৫ রোম থাংজ নুমিত্তা ট্রিপোলিগী তাজৌরা সেন্টর হায়না খঙনবা দিটেন্সন সেন্টর অদুদা চঙশিনখি। মখোয় খরদি লোকেল কম্যুনিটি মরক্তা লৈশিলন্বাশিংনি। অতে মাইগ্রেন্টশিংনা সিটি অদুগী অতোপ্পা দিটেন্সন সেন্টর অমদগী ট্রান্সফর তৌরকখিবনি হায়না এইদ গ্রুপ অসিনা ফোঙদোকখি।

জুলাই ৩ গী বোম্বিং অদুগী মতুংদা মাইগ্রেন্টশিংনা সেন্টর অদু থাদোক্তুনা চৎনখিবনি। তৌইগুন্নবসুং অয়াম্বনা চৎনখ্রবা মতুংদা অকোয়বদা অতোপ্পা এয়র ষ্ট্রাইক অমা চথরকপা য়াই হায়বগী অকিবা লৈবদগী অহাংবা মফমদা য়ারেক্লদুনা লৈখিবা মাইগ্রেন্ট খরদি য়ুনাইটেদ নেসন্সকী আপিল অমা লাকখিবা মতুংদা মফমদুদগী খুদোংচাগদবা অতোপ্পা মফমশিংদা হোংদোকহনখিবনি।

মশক মমিং ফোঙদোক্লিংদবা তাজৌরা সেন্টর অদুগী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখিবদা, মাইগ্রেন্টশিং শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোকহনখ্রবা মতুংদা ঐখোয়না মখা তানা থবক অমুক হৌদুনা অহেনবা মাইগ্রেন্টশিং লৌশিনখি। ইষ্টর্ন কম্মান্দর খালিফা হাফটর শৌগৎপা ফোর্সশিংনা মালেম্না শকখঙবা ট্রিপোলিদা বেজ তৌবা গভর্নমেন্ট শৌগৎপা ফোর্সশিংদগী সিটি অদুবু লৌশিন্নবা হোৎনরকপদগী সেন্টর অদুদা এয়র ষ্ট্রাইক অদু চথখিবনি।

## চাইনাদা কনাদাগী সিটিজন অমসু ফাজিনখ্রে

টোরোন্টো, জুলাই ১৪ (এজেন্সি): চাইনা অমসুং কনাদাগী দিপ্লেমেটিক মরীদা উংখৎনবা কয়া লৈরিঙৈ চৈরক্তা কনাদিয়ন সিটিজন অমা চাইনিজ সিটি য়ানতাইদা ফাজিনখ্রে হায়বা কনাদিয়ন গভর্নমেন্টকী স্পোক্সমেন অমনা থাংজ নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

গ্লোবেল এফেয়রস হায়না খঙনবা কনাদাগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা কনাদিয়ন সিটিজন অদু ফাবগী মতাংদা অকুপ্পা মরোলশিং পনখিদবগা লোয়ননা কেস অদু চয়োল অসিগী অঙনবা শরুক্তা অতোপ্পা মীওই ১৯ ফাজিনখিবগী থৌদোক্তা মরী লৈনৈ নৎত্রগা লৈনদে হায়বসু পনখিদে। য়ু এসকী এরেষ্ট ৱারেন্ট অমনা মরম ওইদুনা হৌখিবা দিসেম্বরদা কনাদাগী ভেনকুভর পুলিসনা ৱাৱে টেক্নোলোজিজ কোগী চীফ ফাইনান্সিএল ওফিসল মেং ৱাংজৌ ফাজিনখিবদগী চাইনা অমসুং কনাদাগী মরী ফিভম শোকচিল্লকখিবনি।

## হি লাকপদা শিখিবা মাইগ্রেন্ট মশিং ৮২ শুরে

টুনিস, জুলাই ১৪ (এজেন্সি): হৌখিবা চয়োলদা টুনিজিয়াগী সমুদ্র খোংবান মনাক্তা মাইগ্রেন্টশিং থন্না য়াওবা হিজাও অমা ঈশিংদা লাকশিনখিবা মতুংদা লৈবাক অসিগী ওথোরিটিশিংনা ঈশিংদগী লৌখৎখিবা অশিবা হকচাংশিংগী মশিং ৮২ য়ৌরে হায়না থাংজ নুমিত্তা টুনিজিয়ন রেদ ক্রেসেন্টনা ফোঙদোকখ্রে।

হি অদু য়ুমথংনরিবা লিবিয়াদগী য়ুরোপ তম্না লাকখিবগী লম্বীদা ঈশিংদা লাকশিনখিবনি। থৌদোক অদুদা হিংহৌবা মীওই কয়ানা হৌখিবা চয়োলদা টুনিজিয়ন কোষ্ট গার্দতা মখোয়গী হি অদুদা পুন্না মীওই ৮৬ তোংলকখি হায়না ফোঙদোকখি। য়ু এন রেফ্যুজি এজেন্সি য়ু এন ঐচ সী আরগী মতুং ইন্না টুনিজিয়ন ঙামীশিংনা মীওই ৪ কনখিবগী মনুংদা অমদি হোস্পিটালদা লায়কন্নবদা শিখি।

# নেপালদা নোং কন্না চুবদগী শিখিবা মী মশিং ৪৭ য়ৌরে

কথমন্দু, জুলাই ১৪ (এজেন্সি): নেপালদা নোং কন্না লেপ্তুনা চুবদগী হৌখিবা নুমিৎ হুম্নি অসিদা থোক্লিবা ঈশিং ঈচাও অমসুং লেন্দস্লাইদশিংদা শিখিবা মী মশিং নোংমাইজিং নুমিৎতা ৪৭ য়ৌরে, মীওই কয়া অমনা থিবা খঙদনা লৈবগা লোয়ননা অতে কয়া অমনা অশোক-অপন নংলে হায়না গভর্নমেন্টনা ফোঙদোকখ্রে।

অয়াম্বনা চীংগী লমদম ওইনা তৌবা নেপালদা শগোলশেল নুমিত্তগী মফম কয়াদা মোন্সুনগী নোং লেপ্তুনা চুরকখিবগা লোয়ননা চাওরবা লম কয়া ঈশিং থুমজিনখি। য়ুম কয়া ঈশিং ঈমায় মরক্তা লৈবগী ফিভম লাকখি অমদি থোং অমসুং লম্বী কয়া অমাঙ-অতা থোকখি।

হোম মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়, নোংমাইজিং নুমিৎ ফাওবদা নোংনা মরম ওইদুনা শিখিবা মী মশিং ৪৭ শুরে অদুগা অশোকপশিংগী মশিংনা ২৮ নি হায়বসি কনফার্ম তৌরে। হায়রিবশিং অসিগী মথক্তা হৌজিক মীওই ২৯ থিবা খঙদনা লৈরি হায়না ষ্টেট ন্যুজনা মখা তাখি।



টেলিভিজন চেনেলশিংনা শন্দোকপা ভিদিও ফুটেজশিংদা খা থংবা তম্পাক্কী লমদমশিংদা য়ুমশিং ঈচাওগী ঈশিংনা থুমজিনবা অমসুং মীশিংনা থবাক য়ৌনা লুবা ঈশিং মরক্তা মকোক্তা পোৎ-চৈশিং থাঙ্গত্তুনা চৎনবগী শক্তমশিং উবা ফংখি। হিমালিয়ন লৈবাক অদুগী ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখিবদা মফম খরদদি নোং তাবগী চাং হন্থখ্রবসু লৈবাক অদুগী নোংপোক থংবা শরুক্তা চেল্লিবা তুরেল খরদি ঈচাওগী থাক্কী মথক্তা লৈ। ওথোরিটিশিংনা মফম অদুগী মীয়ামদা মীৎকুপ নাহুম শিংনা লৈনবা খঙহনখ্রে।

ইন্দিয়াগী নোংপোক থংবা ষ্টেট বিহারদা চেনশিল্লিবা কোসি তুরেল অসিসু ঈচাওগী থাক মথক্তা চেল্লিবা তুরেলশিংগী মনুংদা অমনি। নেপাল পুলিস ওফিসল ইশ্বাৱারি দহালনা ফোঙদোকখিবদা নেপাল-ইন্দিয়া বোর্দরদা লৈবা কোসি বরাজগী ঈশিং থাদোকফম গেট ৫৬ মক হৌখিবা অহিংদা পুং ৬ চুপ্পা হাংদুনা ঈশিং ক্যুসেক্স ৩৭১,০০০ চিথোকখি। মদু হৌখিবা চহী ১৫ অসিদা বরাজ অদুদা ঈশিং খ্বাইদগী য়াম্না লৈবনি হায়না লৌনৈ। হৌজিক্তি বরাজগী ঈশিং ঈমায় হন্থরে হায়না দহালনা রোইটর্সতা ফোঙদোকখি।

## ইষ্টর্ন ইন্দোনেসিয়া অমদি ৱেষ্টর্ন ওষ্ট্রেলিয়াদা য়ুহা কন্না হাখ্রে

জর্কাতা, জুলাই ১৪ (এজেন্সি): ইন্দোনেসিয়াগী নোংপোক থংবদা লৈবা মোলুকাসকী মনুং চনবা জর্কাতা সিটিগী খা নোংপোক থংবা শরুক্তা নোংমাইজিং নুমিত্তা মেগ্নিট্যুদ ৭.৩ য়ৌনা য়ুহা হাখ্রে হায়না য়ু এস জিওলোজিকেল সর্ভেনা ফোঙদোকখ্রে।

য়ু এস জি এসগী মতুং ইন্না য়ুহা হাবা অদু কেপিটেলগী টর্নেটকী খা অমসুং খা নোংপোক্কী মরক্কী মায়কৈদা কিলোমিটর ১৬৮ লাপ্পা মফম অমদা কিলোমিটর ১০ লুথনা থোকখি। ইন্দোনেসিয়াগী মিটিরিওলোজি এজেন্সিনা ফোঙদোকখিবদা য়ুহা হায়বা অদুনা মরম ওইদুনা সুনামি থোরকপা য়াবগী অকিবদি লৈতে। মিনিট ৩০ রোমগী মতুংদা মফম অদুবু মেগ্নিট্যুদ ৫.৮ য়ৌনা অমুক হন্না নীকহনখি হায়না এজেন্সিগী ৱেবসাইটনা ফোঙদোকখি। য়ুহা হাবা অদুনা মরম ওইদুনা অমাঙ অতা নৎত্রগা মীশি-মীনাশিং থোকপগী পাউ খুদক্কী ওইনা ফংখিদে।

অমরোমদা, ওষ্ট্রেলিয়াগী সমুদ্র খোংবানগী রিজোর্ট অমা ওইরিবা ব্রুমদা মেগ্নিট্যুদ ৬.৬ য়ৌনা য়ুহা হাখ্রে হায়না নোংমাইজিং নুমিত্তা য়ু এস জি এসনা ফোঙদোকখ্রে।

মফম অদুদা লৈবা মীওইশিংনা য়ুহা হাবা অদুনা মরম ওইদুনা বিল্ডিং খরা নীকখিবগা লোয়ননা দুকান কয়াসু নীক্তুনা পোৎ-চৈশিং চাইখি হায়না ফোঙদোক্লখি। টাউন অদুদগী সমুদ্ররোমদ কিলোমিটর ২০৩ লোম লাপ্পা মফম অমদা কিলোমিটর ৩৩ লুনা য়ুহা য়াবা অদু থোকখি হায়না য়ু এস জি এসনা ফোঙদোকখি।

সোসল মিদিয়াদা থাগৎনরকখিবা ভিদিওশিংদা কার কয়া অমদি বিল্ডিং কয়া নীকপা অমসুং দুকানগী পোৎ-চৈ কয়া চাইবগী শক্তমশিং উবা ফংখি। মীওই খরনা মখোয়গী বিজিনেসতা অমাঙ-অতা খরা থোক্লে হায়না ফোঙদোক্লখি। থৌদোক অদুগী মতুংদা ৪.১গী অফটর সোক অমসু থোকখি হায়রি।

# গল্ফতা য়ু এস-ইরান লান থোক্লকপা য়াবগী অকিবা লৈ : ফ্রান্স



পেরিস, জুলাই ১৩ (এজেন্সি): য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা মালেমগী পৱারশিংগা টেহরানগা য়ানখিবা ন্যুক্লিয়র দিলদগী হন্দোকখিবা মতুংদা ইরান্না দিল অদুদা য়াওরিবা য়ুরেনিয়ম এনরিচমেন্টকী পনখৈ থুগায়খিবা অসি গল্ফতা লান অমা থোক্লকপা য়াবগী অকিবা হেনগৎহনবা ফত্তবা ৱারেপ অমগী ফত্তবা রিয়েক্সন অমনি হায়না ফ্রান্সকী ফোরেন মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখ্রে।

ওইল টেঙ্করশিংদা চথখিবা এটেকশিং ইরানগী খুৎনি হায়না ৱাশিংটন্না মরাল শীখিবা অমদি টেহরান্না য়ু এসকী সর্ভিলেন্স দ্রোন অমা কাপথবদগী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা ইরানদা এয়র ষ্ট্রাইক চথনবা ওর্দর তৌরম্বদগী অরোইবা মীৎকুপ্তা খোঙফম হন্দোকখিবা থৌদোক্তগী ৱাশিংটন অমসুং টেহরানগী মরক্তা উংখৎনবা হেনগৎলকখিবনি।

ইরানগী ন্যুক্লিয়র প্রোগ্রাম লাকশিন্নবা লৈবাক অসিগা মালেমগী পৱারশিংগী মরক্তা কুমজা ২০১৫দা য়ানখিবা দিল অমদগী ট্রম্পনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসপু ৱিথদ্রো তৌহনখিবদা দিল অদুদা খুৎয়েক পীরিবা অতে লৈবাকশিং হায়বদি ফ্রান্স, বৃটেন, জর্মনি, রসিয়া অমসুং চাইনানা নুংনাংবা ফোঙদোকখিবনি।

ন্যুক্লিয়র এগ্রীমেন্ট অদুদগী ৱিথদ্রো তৌখিবা মতুংদা ৱাশিংটন্না ইরানগী থাউ এক্সপোর্টকী থবক্তা অথিংবা কয়া মখা তানা থমজিনখিবগা লোয়ননা ইরান্না দিল অদুদগী ফংফম থোকপা কান্নবা কয়াসু ফংহনখিদবনি। মদুগী পাউখুম ওইনা টেহরান্না দিল অদুনা পীরিবা পনখৈগী ৱাংমদা য়ুরেনিয়ম এদরিচমেন্টকী থবক পায়খৎখিবগা লোয়ননা থবক লেপ্পুরবা সেন্ট্রিফ্যুজশিং নৌনা মথৌ তৌহন্দুনা য়ুরেনিয়ম এনরিচমেন্টকী চাং ইলেক্ট্রিসিটি পুথোকপগী লেভেলদগী হেনগৎহল্লগনি হায়না কিহনখি।

ওইরক্লিবা ফিভম অসিনা গল্ফতা শোয়বদগী লান অমা থোকহল্লকপা য়াই হায়না ফ্রেঞ্চ ফোরেন মিনিষ্টর জোন-য়িভস লে দ্রিয়ান্না ফোঙদোকখি।

## ঈমেলশিং লিক ওইহনখিবদা চেন্নবা মীশক খঙলে

লন্দন, জুলাই ১৪ (এজেন্সি): য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং বৃটেনগী মরক্তা দিপ্লোমেটিক্কী ওইবা নুংঙাইতবা ফিভম অমা লাকহনখিবা ৱাশিংটন্দা লৈবা বৃটিশ এম্বেসেদরগী অরোনবা মেমোশিং লিক ওইহনখিবগী থৌদোক্তা চেন্নবা মীশক মশক খঙলে হায়না সন্দে টাইমস পাউচেনা ফোঙদোকখ্রে।

হৌখিবা চয়োলদা বৃটেনগী মেলনা বৃটিশ এম্বেসেদর কিম দারোচকী মেমোশিং ফোঙখিবনি। এনভোই অসিগী মেমোশিং অদুদা মহাক্না দোনাল্ড ট্রম্পকী এদমিনিষ্ট্রেসনবু থবক হৈ শিংনা পাঙথোকপা ঙমদে হায়না পল্লম্বদগী য়ু এস প্রসিদেন্টকা শাওখিবগা লোয়ননা এনভোই মশামক মফম থাদোকপগী ফিভম লাকখিবনি।

মেমোশিং লিক ওইহনখিবদু করম্বা মীশক্লনো হায়বসি খঙদোক্লবগীদমক বৃটিশ ওফিসলশিংনা ইনক্বাইরি অমা হৌখি। কাউন্টর-টেররিজম পুলিসনা ইরাই নুমিত্তা মখোয়না ক্রিমিনেল ইনভেষ্টিগেসন অমা চথবা হৌরে হায়না ফোঙদোকখি। লিক অদুদা চেন্নবনি হায়রিবা মীশক্তু মশক খঙলে। মদু ফোরেন ষ্টেট অমনা চথখিবা কম্প্যুটর হেক অমগা মরী লৈনরম্বা য়াই হায়বা ৱাফম অসি চুম্লোই হায়না সন্দে টাইমসকী রিপোর্ট অদুদা পনখি।

## বাংলাদেশকী ইর্সাদ লৈখিদ্রে

ধাকা, জুলাই ১৪ (এজেন্সি): ৱাংলাদেশকী হান্নগী প্রসিদেন্ট হুসাইন মুহম্মদ ইর্সাদ চহীগা মরী লৈনবা লায়নাশিংনা মরম ওইরগা নোংমাইজিং নুমিত্তা মশাগী চহী ৮৯ শুবদা ধাকাদা লৈবা মিলিটরি হোস্পিটাল অমদা লৈখিদ্রে।

মহাক অয়ুক পুং ৭.৪৫ তাবা মতমদা কম্বাইন্দ মিলিটরি হোস্পিটাল (সী এম ঐচ)তা অরোইবা য়াহিপ তানখি হায়না ইন্টর সর্ভিস পব্লিক রিলেসন দিরেক্টোরেটকী এসিষ্টেন্ট দিরেক্টর রাসেদুল খান্না দেলি ষ্টার পাউচেদা ফোঙদোকখি।

মঙারক হন্না এম পি ওইবগা লোয়ননা পার্লিয়ামেন্টতা ওপোজিসনগী লুচিংবসু ওইখিবা হান্নগী মিলিটরি রুলর অসি লঙ্স অমসুং কিদনিগী ইনফেক্সনশিং য়াওনা তোঙান তোঙানবা লায়নাশিংনা নাদুনা হৌখিবা জুন ২৬তা সী এম ঐচতা এদমিট তৌদুনা আই সী য়ুদা থল্লকখিবনি। মহাক্কী ফিভম শোকচিল্লকখিবগা লোয়ননা জুন ৩০ ওক্সিজেন থাজিল্লগা থল্লকখি।

বাংলাদেশগী মিলিটরি রুলর অসি লৈবাকপোকপা নুমিত্তা কেপিটেল ধাকাদা লৈবা আর্মিগী মোংফম অমদা লৈরোল চল্লগনি হায়রি। কুমজা ১৯৮২দা ইর্সাদনা মীশি-মীনা য়াওদবা কূ অমা পাঙথোক্তুনা বাংলাদেশকী চীফ মর্সিএল লো এদমিনিষ্ট্রেটর ওইখিবনি।

# দিল য়াওদবা ব্রেক্সিট য়ানবা পার্লিয়ামেন্ট কানবা হায়বসি লোগী মায়োক্তনি



লন্দন, জুলাই ১৪ (এজেন্সি): দিল য়াওদবা ব্রেক্সিটকী ফিভম নমদুনা য়াহন্নবা বৃটেনগী পার্লিয়ামেন্টনা সস্পেনসন্দা থম্নবা হোৎনবা খুদিংমক লোগী মায়োক্তা চথবা থৌওং ওইগনি হায়না লিগেল কেম্পেয়নর জিনা মিল্লরনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা তঙাই ফদ্রবদি খোঙথাং অদুবু মহাক্না কোর্টতা শীংনগনি হায়বা ৱাফমসু থমখ্রে।

বৃটেনগী মথংগী প্রাইম মিনিষ্টরগী ফম তান্নবগী কন্টেষ্টতা মাঙজিন থানা লৈরিবা বোরিস জোন্সন্না বৃটেনবু এগজিটকী দিল অমা য়াওরবসু য়াওদ্রবসু ওক্তোবর ৩১ দা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন শোয়দনা থাদোকহনগনি হায়বা মহাক্কী ৱাশক ঙাক্লবা তৌবদা পার্লিয়ামেন্ট সস্পেন্সন্দা থল্লোই হায়নিংঙাই লৈতে হায়না ফোঙদোকখিবনি।

পার্লিয়ামেন্টনা থেংখাং কয়াদা দিল য়াওদবা ব্রেক্সিটকী ফিভম রিজেক্ট তৌখ্রবনি। অসিগুম্বা ফিভম অসিদা করিগুম্বা জোন্সন্না অনৌবা এগ্রীমেন্ট অমা ঈ য়ুগা য়ানবা পুরক্তুনা লোমেকরশিংবু মদুদা য়াহন্দ্রবদি তঙাই ফদনা মহাক্না লেজিসলেচর সস্পেন্দ তৌবগী খোঙথাং লৌখৎলকপা য়াই হায়নরিবনি। অসিগুম্বা ফিভম অসিবু ফেলো লোমেকরশিংনা য়ানিংদবগা লোয়ননা কেম্পেয়নর কয়ানসু পার্লিয়ামেন্টকী প্রোসেস কানবা য়ারোই হায়রিবনি।

পার্লিয়ামেন্টতা ভোট লৌনদনা ঈ য়ু থাদোকপা য়াবগী গভর্নমেন্টকী ওথোরিটি সুপ্রিম কোর্টতা মায় পাক্লা শীংনখিবগীদমক্তা মমিং লৈরবা মিল্লরনা হায়, অনৌবা চেলেঞ্জ অমগীদমক্তা মহাক্না হান্নগী মায় পাকখিবা লিগেল টিম অদু অমুক হন্না খোমজিল্লে। পার্লিয়ামেন্ট প্রোরোগ তৌনবা হোৎনবা হায়বসি লোনা য়াব্রা য়াদব্রা হায়বা খঙনবা ঐখোয়না কোর্টতা চৎননবা শেম শারি হায়না মিল্লরগী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি। হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর জোন মেজরনসু কন্সটিট্যুস্নেল ক্রাইসিস লৈহন্দনবা জুদিসরিগী মতেং লৌগনি হায়খ্রবনি।